# রিপব্লিক দেগী থৌরমদা অসিয়ন মেম্বরশিং ওইরিবা লৈবাক ১০গী লুচিংবশিং শরুক য়াগদৌরি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দে থৌরমদা অসিয়ন (এ এস ঈ এ এন)গী মেম্বরশিং ওইরিবা লৈবাক ১০গী লুচিংবশিংনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দগা পূন্না দেজদা ফম্মিন্দুনা শরুক য়াগদৌরি।

লৈবাক অমখক্কী নৎতনা লৈবাক ১০গী লুচিংবশিংনা রিপব্লিক দেগী পেরদতা হন্দক অহানবা ওইনা পূন্না চীফ গেষ্টশিং ওইরগা শরুক য়াগদৌরিবনি। চহীসিগী রিপব্লিক দে থৌরমদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাক ১০গী লুচিংবশিং অদুদি ইন্দো-নেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদো, সিঙ্গাপোরগী প্রাইম মিনিষ্টর লি হসিয়েন লুং, ভিয়েটনামগী প্রাইম মিনিষ্টর ঙুয়েন জ্ঞান ফুক, মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব নজাক, থাইলেন্দগী জেনরেল প্রয়ুদ চান-ও-চা, ম্যান্মারগী ওং সান সু চি, ফিলিপিন্স প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটর্টে, ব্রুনৈগী সুলটান, লাউজকী প্রাইম মিনিষ্টর থোংলাউন সিসৌলিট অমসুং কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেননি।

পুৱারী ওইহৌরগদবা মওংদা লৈবাক ১০গী লুচিংবশিংনা পূন্না রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াবগী ৱাফম অসি মনালিদা পাঙথোকখিবা অসিয়ন সমিটতা মোদিনা শরুক য়ারুরবা মতুং থা ২ লৈরগা লাউথোরকখিবনি।

ইন্দিয়া-অসিয়ন বাইলেটরেল টাইজগী সিলভর জুবিলী থৌরমসু ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা 'শেয়র ভেল্যুজ, কমন দেষ্টিনি' হায়বা থিমদা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরি। মখা তানা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা তোঙান-তোঙানবা বাইলেটরেল মীটিং ৯ অমসুং ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লনবা পান্দম থল্লি। মীটিংশিং অসিদা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাক-শিংগী লীদরশিংসু শরুক য়াগদৌরি। মীফম অসিনা কাউন্টর টেররিজম, সিক্যুরিটি অমদি কনেক্টিভিটিগী মতাংদসু খন্নগদৌরিবনি।

এজেন্সীগী রিপোর্ট মতুংইন্না জন্যুৱারী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা 'লীদরস রিট্রিট' হায়বা থৌরমদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১০গী লুচিংবশিং অসিনা হঙ্গোয়নবা তৌদনা ৱাফম কয়াসু খন্নগদৌরি। রিট্রিট সেসন অসি 'মেরিটাইম কোওপরেসন এন্দ সিক্যুরিটি' হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিগী মতুংদা প্লিনরি সেসন অমসু নুমিৎ অসিমক্তদা পাঙথোক্কনি।

# সেন্টরনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইবা তোঙানবা ইন্দষ্ট্রিগী পোলিসি অমা পুথোরকপা য়ানা লৈরে



গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): অৱাং-নোংপোক লমদমদা ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্নবা লমদম অসিগী ওইবা তোঙানবা ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি অমা সেন্টরনা লাউথোক্লগনি হায়না অসাম গভর্ণমেন্টনা থাজরি। মরু ওইনা লাক্কদৌরিবা গ্লোবেল ইনভেষ্টরশিংগী ওইবা সম্মিটকী মাঙওইননা সেন্টরনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা পায়খৎলক্কনি হায়না অসাম গভর্ণমেন্টনা থাজরিবনি।

চৈরকসিদা, ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টশিংদা কান্নবা ফংহন্নবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লোকাপ্রিয়া গোপিনাথ বোর্দোলোই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট মনাক্তা কার্গো ৱেয়রহাউস অমা শানবগী থৌরাং অমসু খন্নরি। অসামগী ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ কমার্স মিনিষ্টর চন্দ্র মোহন পাতোৱারিনা অসাম ত্রিব্যুনদা হায়খি মদুদি, ইনভেষ্টরশিংগী পূক্নিং থৌগৎনবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইবা তোঙানবা ইন্দষ্ট্রিগী পোলিসি অমা শেম্বগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ুনিয়ন কমার্স মিনিষ্ট্রি অমসুং নীটি আয়োগকা মীফমশিং পরিং নাইনা পাঙথোকখ্রে। সেন্টরনা লমদম অসিগীদমক্তা তোঙানবা পোলিসি অমা পুথোরক্লগনি। মদু মমাঙগী পোলিসিদুগা খরা খেন্নগনি।

পাটোৱারিনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টরশিংনা ইনভেষ্ট তৌনিংগদবা মরু ওইবা এরিয়া খরা খঙদোক্লে। খঙদোক্লবা এরিয়াশিংদুদা এগ্রো-প্রোসেসিং, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, ফার্মাস্যুটিকেলস, মেন্যুফেকচরিং, টুরিজম অমসুং হোস্পিটালিটি ইন্দষ্ট্রি য়াওরি। মহাক্না হায়খি মদুদি, ষ্টেট অসিদা (অসামদা) সেক্টরশিং অসি চাউখৎহনবা য়াবগী পোটেন্সিয়েল চাওনা লৈ অমসুং ইনভেষ্টরশিংনা সেক্টরশিং অসিদা থৱায় য়াওনা ইনভেষ্ট তৌগদবনি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ইনভেষ্টরশিংগী পূক্নিং চিংশিনবদা কম্যুনিকেসননা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। মখোয়না মখোয়গী পোথোকশিং মার্কেট তৌনবা তশেংনমক কম্যুনিকেসন চেন্নেল অমা লৈহনবা পামই। ষ্টেট গভর্ণ-মেন্টনা সেন্টরদা লোকাপ্রিয়া গোপিনাথ বোর্দোলোই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট-তগী সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী কেপিটেলশিং য়ৌগদবা ফ্লাইটশিং হৌদোকপীনবসু হায়জখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। এয়রপোর্ট অদুদা অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং অমসু সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১,২০০ চঙনা শারগনি হায়নসু মহাক্না পনখি। এয়রপোর্ট এক্সপান্সন অদুনা গুৱাহাটিদা অহেনবা কার্গো ফ্লাইটশিং তাহনবদা খুদোংচাহল্লগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এয়রপোর্ট তুগী মনাক্তা কার্গো ৱেয়রহাউস অমা লৈহল্লগনি। মদুনা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্টশিংবু মখোয়গী পোথোকশিং ষ্টোক তৌবা য়াহনগনি।

তুরেলগী লম্বী হায়বসি অসামদা ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহনবদা মরুওইবা ফেক্টর অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা পাটোৱারিনা হায়খি, বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াদা চিট্টাগোং হিথাংফম শীজিন্নবগী অয়াবা পীরে। মদুনা অসামখক্তা কান্নহনবদা নৎতনা অৱাং-নোংপোক লমদম অপূম্বা কান্নহনগনি।

নেভিগেসন চেন্নেলশিং ফগৎহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা বাংলাদেশতা লুপা ক্রোর ২৫০ পীখ্রে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# নরোন্দা উ লল্লোনবগী থবক তৌবশিংনা চথরকপা এটেক্তা মেঘলায়াগী পাউমী অমা অশোক-অপন নংখ্রে, কন্দেম তৌখ্রে

শিল্লোং, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): মেঘলায়াগী ৱেষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা নারোন্দা উ লল্লোনবশিংনা চথরকখিবা এটেক্তা মেঘলায়াগী পাউমী অমা অশোক-অপন নংখ্রে। পাউমীদা এটেক চথরকখিবা থৌদোক অদুবু শিল্লোং প্রেস ক্লবনা কন্দেম তৌখ্রে।

এটেক অদুদা শোক্লবা পাউমী অদুগী মমিং বিবলাপ দে কৌই। মহাক ফ্রিলান্স জর্নেলিষ্টনি। নারোন্দা উ লল্লোনবশিং অদুদা চথরকখিবা এটেক অদুদা বিবলাপকী মোবাইল ফোন অমসুং কেমেরাসু অকায় অতোয় নংখি।




থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা হায়, বিবলাপ দেনা মহাক্কী মমান্নবা অমসুং ড্রাইভরগা লোয়ননা মেঘলায়াগী ৱেষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অঠিয়াবারি এরিয়াদা নারোন্দা উ লল্লোনবগী থবক তৌরিবশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা চৎখি। মফম অদুদা মহাকপু নারোন্দা উ লল্লোনবনি চিংনবা মীওই খরনা এটেক চথরকখি। মদুদা মহাক অশোক-অপন নংখিবনি অমদি মহাক্কী মোবাইল ফোন অমসুং কেমেরাসু অকায়-অতোয় থোকখিবনি। থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো অমদি চেন্নরিবা মীওইশিং ফাননবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথবা হৌরে। পাউমীদা এটেক চথরকখিবা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি অমদি অমত্তা লেম্না থারোই হায়নসু দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস পি, জি দি খরৱানলাংনা ফোঙদোকখ্রে।

নারোন্দা উ লল্লোনবশিংনা এটেক চথরক্তুনা ফ্রীলান্স জর্নেলিষ্ট বিবলাপ দেবু অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোক অদু শিল্লোং প্রেস ক্লব (এস পি সী)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। ক্রাইম অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবসু মরী লৈনবশিংদা তকশিনখ্রে।

শিল্লোং প্রেস ক্লবকী প্রসিদেন্ট দি ও লাইটলাংনা হায়খি, মেঘলায়াগী ৱেষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অঠিয়াবারি এরিয়াদা চথরিবা নারোন্দা উ লল্লোনবগী থবক তৌরিবশিং অদুগী পাউ লৌননবা হোৎনরিঙৈদা বিবলাপ দেদা এটেক অদু চথরকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎতুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মেঘলায়া ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া এসোসিএসননসু মরাল লৈবশিং ফাদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবগীদমক মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা তকশিনখ্রে হায়রি।

মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটতা পাউমী কয়া হাৎখিবা অমদি নারোন্দা এটেক চথরক্তুনা অশোক-অপন নংহনবগী থৌদোক কয়াসু থোকখ্রবনি।

# কাশ্মীরগী সোপিয়ন দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্ট ২ হাৎখ্রে



শ্রীনগর, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সোপিয়ন দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট অনী হাৎখ্রে। থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুগী মনাক্তা ঈৰাং হৌরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপ্পদা নুপামচা অমসু শিখ্রে, নুপীমচা অনীনা অশোক-অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা হায়, সী আর পি এফ অমসুং আর্মিগী অপূনবা খূৎপু অমনা সোপিয়ন দিষ্ট্রিক্টকী চাইগুন ভিলেজদা মিলিটেন্ট ৩/৪ চঙলক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী থিবা-হুম্বগী থবক চৎখি। মফম অদুবু সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা কোয়শিল্লগসু থমখি। মদুদা হান্নদগী লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। খূৎ থোক্লবা অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংকী নোংমৈ মরূনা পাল্লগা মিলিটেন্ট অনী অদু শিখিবনি।

নোংমৈ কাপ্নখিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না লম্বী শোরোক্তা থোরল্লগা এন্টি ইন্দিয়া স্লোগান কয়া লাউদুনা মফম অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরকখি। মদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা স্মোক সেলশিং কাপ্তুনা মীয়াম অদু তানখায়নবা হোৎনখি। মীয়াম অদুনা নুঙনা থাজিল্লকপদগী তঙাইফদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখি। মদুদা মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবা সকির অহমদ মির শিখিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারনা রোহিংয়া ক্রাইসিসকী মতাংদা খন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারনা হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা রোহিংয়া রেফ্যুজী ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ম্যান্মার ষ্টেট কাউন্সেল্লর ওং সান সু চিগা ন্যু দিল্লিদা চথুখিবা মীফম অমদা খন্নখিবনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা চথুখিবা মীফম অদুনা বাইলেটরেল কোওপরেসন মপূং ফানা পীননবা কুপ্না খন্নখি। মসিদসু নৎতনা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতগী চেন্থোরল্লগা বাংলাদেশতা হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট থাদগী হৌনা মশীং য়াল্লবা রোহিংয়া রেফ্যুজীশিং চঙশি-ল্লকখিবগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

রোহিংয়া রেফ্যুজীশিং অসিগীদমক ন্যু দিল্লিদগী রখাইন অমসুং বাংলাদেশতা রিলিফ মেটরিএল কয়াসু থাখিবা লৈখ্রবনি।

ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেল্লর ওং সান সু চি ঙসি নুমিদাংৱাইরম ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবনি। শগোলশেল নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া-অসিয়ন দাইলোগ পার্টনর-শিপ চহী ২৫ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মেমো-রেটিব সমিটতা শরুক য়ানবগীদমক মহাক ইন্দিয়াদা লাকখিবনি।

# দিল্লিগী এম এল এশিংগী দিসক্বালিফিকেসন হায় কোর্টনা ষ্টে তৌবীয়ু য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কান্নবা লৌবা য়াবা ওফিসশিং পায়বগা মরী লৈনবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী এম এল এশিং দিসক্বালিফাই তৌবগী ৱারেপ ষ্টে তৌবগী ৱাফম দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি য়াখিদ্রে। কোর্ট অসিনা ইলেক্সন কম্মিসনদা মথংগী হিয়ারিং জন্যুৱারী ২৯ ফাওবা মরক্কী মীখলশিং পাঙথোক্লবগী নোটিফিকেসন অমত্তা থোক্তনবসু খঙহনখ্রে।




এ এ পিদা অচৌবা চৈথেং পীবা খোঙথাং অমদা ঈ সীনা হৌখিবা ইরাইদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা প্রোফিটকী ওফিসশিং পায়রম্বগী মরালদা পার্টিগী এম এল এ ২০ দিসক্বালিফাই তৌনবা রেক-মেন্দ তৌখি। রেকমেন্দেসন অদু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনসু অয়াবা পীখি।

এ এ পিগী এম এল এশিং দিসক্বা-লিফাই তৌনবা হায়জখিবা পিটিসন অদু দিল্লিগী লোয়র প্রশান্ট পটেলনা ফাইল তৌখিবনি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংগী ওফিসশিং পায়দুনা এম এল এশিংদুনা থোইদোক-হেন্দোকপা কান্নবা কয়া লৌদুনা লৈরে হায়না পিটিশ্নরনা ক্লেম তৌখি।

কোংগ্রেসনসু হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী জুন ৯ দা ইলেক্সন কম্মিসনদা এ এ পিগী লেজিসলেটর ২১ দিসক্বালিফাই তৌনবা ইলেক্সন কম্মিসনদা তকশিনখ্রবনি।

এম এল এ ২১ দুগী মনুংদগী জর্নেল সিংহগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা দিসক্বালিফিকেসনগী প্রোসিদিংসতি লেপখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ কী পঞ্জাব এসেমব্লি মীখলদা কন্টেষ্ট তৌনবা জর্নেলনা রাজৌরি গর্দেন সীটকী এম এল এ ওইনা রিজাইন তৌখিবদগী মহাক্কী মায়োক্তা লৌখৎপা হৌখিবা প্রোসিদিংস লেপখিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা এ এ পিগী লোমেকরশিংদুদগী এক্সপ্লেনেসন অমা কৌখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা ফাইল তৌখিবা প্লি অমদা লেজিসলেটরশিংদুনা ঈ সীদা মখোয়গী মায়োক্তা ওফিস ওফ প্রোফিটকী কেস লৌখৎপা লেপ্নবা হায়জখি। অদুম ওইনমক ঈ সীনা মখোয়গী মায়োক্তা মখা তানা প্রোসিদিংস চথগনি হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখি। কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা এ এ পিগী গভর্ণমেন্টনা দিল্লি মেম্বরস ওফ লেজিসলেটিব এসেমব্লি (রিমুভল ওফ দিসক্বালিফিকেসন) এক্ট, ১৯৯৭ কী এমেন্দমেন্ট অমা পাস তৌখি। মদুগী পান্দমদি পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফমশিংবু ওফিস ওফ প্রোফিটকী দিফিনিসনগী মনুং চলহন্দবা অমসুং মদুবু মমাঙগী তারিখতগী চৎনহনবনি।


ꯁ. ꯆꯥꯎꯕ ꯃꯦꯃꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯏꯡꯂꯤꯁ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ

**SCM S. CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL**

SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)

NO DEPOSIT SYSTEM
NO LODGING CHARGES

**ADMISSION OPEN**

FREE ADMISSION FROM PRE-NUR TO CLASS I




+91 8974 052 662



Founder
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

| CLASS | ADMISSION FEE( RS) | EXPENSES (RS) | MONTHLY TUITION FEE |
|---|---|---|---|
| PRE NUR - CLASS I | FREE | 1000 (games+exams) | 500 |
| CLASS II | 2300(admission+ games+exams) | NA | 500 |
| CLASS III - VII | 3300(admission+computer+games+exams) | NA | 600 |
| CLASS VIII | 3500(admission+computer+games+exams) | NA | 700 |
| CLASS IX - X | 3500(admission+games+exams) | NA | 700 |

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders :

| CLASS | ADMISSION FEE ( RS) | EXPENSES (RS) | TUITION FEE/ ANNUM | TOTAL | MESS FEE/ MONTHLY |
|---|---|---|---|---|---|
| CLASS I | FREE | 1000 (games+exams) | 500x12=6000 | 7000 | 3200 |
| Class II | 2300 (admission + games exam) | NA | 500x12=6000 | 8300 | 3200 |
| Class III –IV | 3300(admission+computer+games+exams) | NA | 600x12=7200 | 10500 | 3300 |
| Class V – VII | 3300(admission+computer+games+exams) | NA | 600x12=7200 | 10500 | 3500 |
| Class VIII | 3500(admission+computer+games+exams) | NA | 700x12=8400 | 11900 | 3700 |
| Class IX - X | 3500(admission+games+exams) | NA | 700x12=8400 | 11900 | 3700 |

FACILITIES
1. Free monthly tuition fee for one out of three students from a same parent
2. Free tuition fee for first position holder of every class scoring more than 85% marks
3. Free all subject Tuition for borders and Medical Checkup
4. Boarder's Admission will be refunded if no improvement till FA1 exam.
5. One boarding master for every 25 students
6. Separate study room for class X boarders
7. Available Aqua-guard drinking water for all students.
8. Free studentship for students whose parents are undergoing cancer treatment.

HL-P/4807/14 Dec-26Jan. (Alt).



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG**

*Ref:- Mut Case No. 75 of 2018*

1. Usharani Yambem W/o R.K. Vikram of Sagolband Meisnam Leikai.
2. Sandhyarani Yambem W/o Okram Ranbir Singh of Singjamei Waikhom Leikai

*... Petitioners*

-Vrs-

(Late Pattadar) Yambem Tomba Singh S/o (L) Amujao Singh of Thangmeiband Khuyathong Polem Leikai. *... O.P. Party*

**[illegible]/NOTICE**

Sawombung, the 24th Jan. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিলগী খুল নং ৭৯-নোংদম পাট্টা নং ৩৬ (অরিবা), ১ (অনৌবা) দাগ নং ৪ গী এরিয়া ৩.০৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়ামবেম তোম্বা সিংহ পীং মৃত অমুজাও সিংহ অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা মমীং পীরিবা দংকারিশিং অসিনা লৌফম অসি মখোয়গী স্বত্ত ওইনা ফঙজরে। মখোয়গী মমীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌবা অইবা চে ওইনা পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

*Sd/-* **S. Lunguiba Thangal**
Sub-Deputy Collector, Sawombung

*HL-P/446/24*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)**

*Ref:- Mut. Case No. 89/SDC/IW(C)* *Dt. 23/1/2018*

1. Saikhom ongbi Thoibi Devi W/o S. Tombi Singh.
2. Saikhom Herojit Singh S/o S. Tombi Singh.
3. Saikhom Sandhyarani Devi D/o S. Tombi Singh

All are resident of Sagolband Bijoy Govinda Mamang Leikai.

*... Petitioners*

-Vrs-

Saikhom Tombi Singh S/o (L) Ladoo Singh of Uripok Achom Leikai.

*... O.P. Party*

**[illegible]/NOTICE**

Imphal, The 24/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Saikhom Tombi Singh পীং (L) Ladoo Singh সাং Uripok Achom Leikai গী মীংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 86-Bijoy Govinda গী অনৌবা পট্টা নং 580 অরিবা পট্টা নং 370/469 দাগ নং 4037 অমসুং এরিয়ানা 0.0224 (হেক্তর) চাওবা ইঞ্চোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঞ্চোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central)

*HL-P/445/24*



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

*Ref:- Mut. Case No. 15 of 2018* *Dated 20/01/2018*

Thangminjam S/o (L) T. Daupu of Sugnu Lamhang.

*...... Applicant*

-Vrs-

(Late) Hemkhomang Gangte S/o (L) Manga Gangte of Sugnu.

*...... O.P.*

**[illegible]/NOTICE**

Waikhong, the 20th Jan. 2018

Under Section 86 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা শ্রী হেমখোমাং গাংতে পীং মৃ: মাংঙা গাংতে সাং শুগ্নু পাট্টা নং ৩৪২ অরিবা ৫৭২/১৩৪২ অনৌবা দংগ নং ২৬৬৯/২৯৯৫ এরিয়া ০.০৩ একর চাওবা ইঞ্চোল অসি দংকারিগী মীংদা নমা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী চৎনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথজগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Waikhong**

*HL-P/3084/24*



**[illegible]/দশা য়েংজরি**



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঞ্জাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোটিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

*HL-P/377/14/1-13/2*